# মীদিয়াদা লান্না শন্দোক্তুনা শেল খায়নবা হোৎনরিবা অদুদগী মীয়াম্না চেকশিনবীয়ু : তেন্থা মীয়াম

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচ এন এস):
মৈনা শুংচাক চাক্তবা তেন্থা খোংবালদগী নাওরেম চাওবগী মচানুপাশিং রাকেশ নাওরেম, নাওরেম তোমাল, নাওরেম মিলনগী য়ুম মৈনা তুম্না থারম্লে হায়না মণিপুরদা লৈরিবা মীদিয়াশিংদা লান্না শন্দোক্লিবা অদু মীদিয়াশিংনা য়ুমশিং অসিগী ভিদিও/ফোটো কাপ্পীয়ু। মশানা মশাবু সোসল এন্দ কলচরেল এক্তিভিস্টনি হায়জবা রাকেশ নাওরেমনা মীদিয়াদা লান্না শন্দোক্তুনা তেন্থা খুঙ্গংবু লান্না উহন্দুনা রাকেশ নাওরেমনা শেল খায়বা নুংঙাইনবা হোৎনরিবা অসিদগী মণিপুরগী মীয়াম্না চেকশিনবীয়ু হায়না ইকোপ নিংথৌ চাওখৎ খোঙথাং নুপী লূপ তেন্থাগী সেক্রেটরি এম সনাতোম্বীনা ফোঙদোরক্লি।



ৱাফম অসি য়ুম মৈ থাদোকপীরম্লে হায়বগী নামাদা ঙৱাং খোংজেম পুলিসনা তেন্থা খোংবালদগী মোইরাংথেম ঘানে অমসুং লাইমুজম ভিভেক্রাজ কৌবা মীওই অনী ফাজিনখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মখোয় অনীবু অথুবদা থাদোক্কদবনি হায়দুনা ঙসি তেন্থা খোংবালদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী ৱাকৎ মীফমদা শরুক য়ারদুনা হায়খিবনি।

সনাতোম্বীনা মখা তানা হায়খি, খোংজোম পুলিস অমদি সী দি ওশিংনা তেন্থা খোংবালদগী মীওই অনী অসিবু মরম অমত্তা পীরমদনা ফাবীখ্রবা মতুং তেন্থা খোংবালদগী নাওরেম চাওবা অপোকপা এন কাসিগী য়ুম মৈ চাকখিবগা মরী লৈননা ফাবনি হায়না মরাল পীশিল্লকপা অসি য়ানিংদে। শিরক্লিবা মরালশিং য়ুম্ফম য়াওদবনি, মরম অদুনা ফাজিনখ্রিবা মীওই অনী অসি কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা অথুবা মতমদা থাদোকপীয়ু হায়খি।

রাকেশ নাওরেমগী য়ুম মৈনা তুম্না থাদোক্লম্লে হায়না মীদিয়াদা লান্না লান্না অদুম শন্দোক্লিবা অসি লাইবক থীবনি। মীদিয়াগী মীওইশিংসু লাকপীদুনা শাক্তি ওইনবা অমুক্তংদি তেন্থা খুঙ্গংদা লাক্তুনা য়েংবীরুলাও। অমনা তুম্না চাকখ্রে হায়রিবা য়ুম অসিগী ফোটো ভিদিও নম্বীদুনা পুবীখো। লান্না লান্না শন্দোক্তুনা মৈনা তুম্না চাকখ্রে হায়রিবা য়ুম অসিসু মীদিয়াদা উৎপীয়ু হায়রদুনা পুলিসনা ফাজিনখ্রিবশিংবু থাদোরক্তবদি অকনবা খোঙজং কয়ামরুম চঙশিন্নবা শেম-শারে হায়খি।

ঙসিগী ৱাকৎ মীফম অদুদা তেন্থাদা ঈরাং থোক্লবা শীনগনু, মরম চাদনা মী ফাগনু, তেন্থাগী ঈং-চিকপা থুগায়গনু, ঐখোয় ঈংনা চিক্লা লৈবা পাম্মী অমসুং মরাল লৈতবদা মরাল শীগনু হায়না থাবা প্লেকার্দশিংসু শীজিন্নখিবগা লোয়ননা খোল্লাও কয়াসু লাউখি।

## নহারোলশিংবু শেন্থোক লম্বী লৈহনসি : সূর্য্যকুমার

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচ এন এস):
নোংদম্বী কলচরেল য়ুনিয়ন (এন সী য়ু) ৱাংবল হৈরুথোংগী নৌনা শাবা ওফিস বিল্ডিং হৌনবী মতুংইন্না ঙসি খাঙবোক এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ, ও সূর্য্যকুমারনা রিবন কত্তুনা শঙ্গাখ্রে।

শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা খাঙবোক এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ, ও সূর্য্যকুমারনা অথোইবা মীথুংলেন, এন সী য়ুগী প্রসিদেন্ট নোংপোকনিংথৌ অবুজমনা থৌরম মপু, সী এম ও পোল ইম্ফাল ইষ্টকী এম ও ডা. মিকি ওক্রম, সঙ্গাইয়ুম্ফম জিলা পরিষদকী মেম্বর এম দি হিবজুর রহমন, ৱাংবল গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান হৈস্নাম মনিচন্দ্র অমদি ৱাংবল জি পি ৱার্দ নম্বর ৩গী মেম্বর থিয়াম কিরননা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোলদা এম এল এ সূর্য্যকুমারনা হায়খি, লমদম অসিগী মৈহৌরোলদগী লৈরক্লবা কলচরশিংবু য়োকখৎনবা হোৎনদুনা লাক্লিবা য়ুনিয়ন অসিগী ওফিস তঙাইফদনা শাফম থোকই হায়বা ৱাখল্লোনদা শাদুনা ঙসি মীয়ামদা খুৎশিন্নজবনি। মতম মতমগী ট্রেনিং, ৱার্কশোপনচিংবা তৌবদা খুদোংচানবগীদমক্তসু হোল অমা শানবা থৌরাং তৌদুনা লৈরবনি। লমদম অসিগী তুংগী য়ুম্বীরেল ওইরক্কদৌরিবা নহারোলশিংবু মশা-মউ ফনা থমসি, ময়াই কাবা চীঙ্গাক্তগী লাপ্লা থমসি। মখোয়বু শেন্থোক লম্বী লৈহন্নবা হোৎনমিন্নসি হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, হন্দক পাঙথোকখিবা মীখলদা মীয়াম্না মহাকপু এ সী অসিগী মীহুৎ ওইনা অমুক হন্না থাগৎপীরকপগীদমক্তা মীয়াম্বু থাগৎচরি। এ সী অসিগী চাউখৎ থৌরাংশিং মীয়ামগা তান্নরগা অঙম্বা থাক্তা তৌজগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচ এন এস):
মতম শাংনা ইম্ফাল অর্বান কোওপরেটিভ বেঙ্ক লিমিটেদতা এসিস্টেন্ট জেনরেল মেনেজর ওইনা থৌ পুরম্বা আর কে টিকেনসনানা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা বেঙ্ক অসিগী ইমপ্লোয়ীশিংনা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। থৌরম অদুগী মনুং চন্না লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবগীদমক থৌনিজখি। ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়না বেঙ্ক অসিগী এসিস্টেন্ট জেনরেল মেনেজর ঐচ মেঘচন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## সলাম কুমারনা লুচিংদুনা ষনলম ঈশিং খোংলম শেংদোকখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচ এন এস):
থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈরিবা য়াইরিপোক কেক্রু, খোইরোম অমদি পেচি খুলগী মীয়াম্না লৌ উনরিবা সেলোম লৌকোল, সামুরৌ লৌকোল অমসুং খোইরোম লৌকোলগী লৌ পরি কয়াদা ঈথৈ লৌখোংগী ঈশিং পীনরিবা ষনলম ঈশিং খোং লৈরোংথেল-নিঙেল গ্রাম পঞ্চায়টকী হান্নগী প্রধান অদুগা হৌজিক হৌজিকসু নোমিনি প্রধান ওইরিবা সলাম কুমারনা লন্নাই ওইনা মশাগী জে সী বি পুথোক্তুনা নিংথৌকাবা নুমীৎতগী শেংদোকখ্রে।

খোংলম শেংদোকপা অদুদা নোমিনি প্রধান কুমারনা হায়খিবদা, খোইরোম, কেক্রু, বামোন লৈকায় অমদি পেচিনচিংবা খুলশিংনা লৌ উনরিবা সামুরৌ লৌকোল, সেলোম লৌকোলগী লৌ পরি কয়াদা ঈশিং পীরিবা খোংলম অসি নাপীশিংনা ময়াম হৌজিন্দুনা ফুনগৎপদগী ঈশিং পুবা য়াদদুনা লৌ উবদা অৱাবা কয়া থেংনরিবা অদু খরদং ওইরসু কোকহন্নবা মশাগী লন্নাই ওইনা জে সী বি পুথোক্লগা শেংদোকচবনি। হান্নসু হৌখিবা চহী ২০১৭তসু মহাক মশানা লন্নাই ওইনা খোংলম অসি শেংদোকপসু তৌখ্রে। মসিদা মীয়াম্নসু থোকপীরক্তুনা অৱাৎ-অপা, তাথোক-তাশিন তৌমিন্নদুনা মীয়াম পুন্না থবক তৌমিন্নসি হায়না আপীল তৌখি।

কেক্রু খুলগী অপূনবা এপেক্স বোদি অমা ওইরিবা কেক্রু আইদিএল প্রোগ্রেসিভ কম্মিটি (কে আই পি সী)গী প্রসিদেন্ট সোরাইশম কহ্নাইনা অসিগুম্বা মীয়াম্না লৌ উনবগী থৱায় ওইরিবা খোংলম অসি ফুনগৎপদগী ঈশিং পুনবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া মায়োক্নরম্বা অদু ঙসি নোমিনি প্রধান কুমারনা শেংদোকপীবা অসিদগী লৌশিংগী অৱাবা অদু থাংথবীরে হায়বগা লোয়ননা কুমারনা তুংদা তৌরকপা মহাক্কী থবক থৌরমশিংদা মায় পাকপা ওইরসনু হায়না থাগৎপসু ফোঙদোরকখি।

খোংলম শেংবা অদুদা য়াইরিপোক ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী ৱার্দ নম্বর ৮গী হান্নগী কাউন্সীল্লর কোঞ্জেংবম ইতো, কে আই পি সীগী সেক্রেটরি লাইশ্রম সোমোরেন্দ্রো অমদি খুল কয়াদগী লৌমী কয়াসু শরুক য়াখি।

## মীওই ১৫০ লেম্না মীৎ লায়েংখ্রে : লেৱা

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচ এন এস):
আই সী আই সী আই ফাউন্দেস ন্যু দেল্লীগী মীৎয়েং মখাদা ভিজন স্প্রিং অমদি লমদিং এদ্যুকেটেদ ৱেলফ্যের এসোসিএসন (লেৱা) লমদিং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকা খুৎশম্নদুনা ঙসি লেৱা লমদিংগী শঙলেনদা লেম্না মীৎ লায়েংবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না লমদিং এদ্যুকেটেদ ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এস ওজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, আই সী আই সী আই ফাউন্দেসন ন্যু দেল্লীগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবা লেম্না মীৎ লায়েংবগী থৌরম অদুদা মায়কৈ অসোমদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা চাউরাক্লা মীওই ১৫০ হেনবনা লেম্না মীৎ লায়েংখি।

মীৎ লায়েংবগী কেম্প অদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা য়াম্না অতাবা মমলদা শুপ্নগী লুপা ৫০ খত্তদা লেন্স অমদি ফ্রেমনচিংবসু ফংহনখি। ঙসি ভিজন স্প্রিং অমদি লমদিং এদ্যুকেটেদ ৱেলফ্যের এসোসিএসন (লেৱা) লমদিং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকা খুৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবা ফ্রী আই কেম্প অদুদা লায়েংবা লাকখিবা মীওই কয়ানা আই সী আই সী আই ফাউন্দেসন, ভিজন স্প্রিং অমদি লেৱা লমদিং অহুম্বু থাগৎপা ফোঙদোক্লমখি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, লেৱানা লৈত-লায়রবা মীয়ামগীদমক খল্লগা পাঙথোরকপা অসিগুম্বা থৌরমশিং অসিগী নুংগী ওইবা পান্দমদি লমদম অসিদা লৈরিবা লৈত-লায়রবা মীওইশিংদা থেংনরিবা অৱাবা অনা-লায়েংবা ঙমদবগী থৌওংশিং অসিদা খরদং ওইরবসু মতেং পাংনবগী পান্দমদা চত্থরকখিবা থৌরমশিংগী মনুং চন্না ফ্রী আই কেম্প অসি পাঙথোকপনি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারক্লি।

## ‘কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকসি’ থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচ এন এস):
সেলিন দিজিটেলনা চত্থরকপা কোভিদ-১৯গী মতাংদা ৱাখল তামিন্নবগী মনুং চন্না ‘কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকসি’ হায়বা থৌরম লমশাং এ সীগী মনুং চনবা য়াওশঙ স্পোর্টস পাঙথোক্লিবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কোয়না চৎতুনা পাঙথোকখ্রে হায়না সেলিন দিজিটেলগী ফিল্দ পব্লিসিটি ওফিসর কে এস ঐচ জেমসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগা মরী লৈননা সেলিন দিজিটেলগী প্রদ্যুসর ফাঞ্জৌবম লনজিৎনা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক ফাওবদা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈদি শুপ্নগী কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকপা অসিনি। মরম অদুনা লায়না-লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্নবগীদমক ঐখোয় পুম্নমক্লা ৱাখল তামিন্নদুনা হিংমিন্নবা চঙই। হৌজিক হৌজিক মণিপুরগী ওইনা টি পি আর য়াম্না হন্থরিঙৈ চৈরক অসিদা মালেমগী ওইনা লৈবাক মঙাদা দেল্টাক্রোন হায়বা কোভিদকী অনৌবা ভেরিয়েন্ট অমসু শন্দোরক্লি হায়বসি ঐখোয় পুন্না খঙমিন্নবা মথৌ তাই।

চহী ১২ শুরবা অমদি মসিগী মথক্তা লৈরবা মীওইশিংনা কোভিদ ভেক্সিন শুংশোয় শোয়দনা কাপথোকপীয়ু। কনাগুম্বনা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্লিংবা লৈরবসু সেলিন দিজিটেলদা পাউফাওবীরকউ। ঐখোয়গী মায়কৈদগী অঙম্বা মতেং পাংজগনি। সেলিন দিজিটেলনা মখা তানসু কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্নবগী থৌরম পাঙথোকখিগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা সেলিন দিজিটেলগী এফ পি ও, কে এস ঐচ জেমস; আর ও, এস শান্তি শর্ম্মা অমদি সেলিন দিজিটেলগী এগজিক্যুটিভ মেম্বর কয়াসু শরুক য়াখি হায়রি।

# থুম চাবগী চাং হন্থবনা

লৌশিং পুক্কে

## হকচাং কয়াৎ কয়া ফীভম ফনা থম্বা ঙম্মী

কনাগুম্বনা থুম কা হেন্না চাবগী হৈনবী থম্নে। এন্সাংদা থাক্লিবা থুম অদুদগী হেন্দোক্তুনা চাক্লুক মচিদা তোখায়না থুম খরা হাপ্লগা চাবা য়াওই। থুম্না এন্সাং মহাউ হেনগৎহনবগা লোয়ননা চাবা তুমহনবদা মতেং পাংলবসু হেঞ্জিন্না চারবদি হকচাংদা অকায়বা কয়ামরুম থোকহল্লকপা য়াই।

অয়ান্বা মতমদা থুম কা হেন্না চারবদি ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎলকপগা লোয়ননা ষ্ট্রেস হেনগৎলকপা মরম্না থম্মোয়গী লায়না ওইহল্লকপা য়াই। হার্টকী ফীভম ফনা থম্নবগীদমক য়ারিবমখৈ থুম চাবগী চাং হন্থগদবনি।

অমরোমদা থুম য়াম্না চারবদি হকচাংনা মহী মথৌ তাবগী চাং হেনগৎলকপা মরম্না দিহাইদ্রেসন তৌরকই। দিহাইদ্রেসন তৌদনবগীদমক ঈশিং মরাং কায়না থকপগা লোয়ননা থুম চাবগী চাং হন্থবা য়াম্নমক তঙাইফদে।



মীওইবনা থুম কা হেন্না চাবা মতমদা ইদিমা হায়না খঙনবা হকচাংনা মহী য়াম্না তুংশিন্দুনা লৈবগী থৌওং অমা ওইহল্লকপা য়াই। ইদিমাগী মরুওইবা লায়ওংশিংদি খোঙ-খুৎ পোমখৎলকপগা লোয়ননা মফম মফম কয়াদা লেঙ-ওৎপা ঙল্লক্তে। ঈশিং মরাং কায়না থকপগা লোয়ননা থুম চাবগী চাং হন্থরবদি খুদোংচাদবা অসি কোকখিগনি।

হকচাংগী সেলশিং মথৌ নীংথিনা তৌহনবদা থুম, নৎত্রগা সোদিয়ম ক্লোরাইদ নৎত্রগা টেবল সোল্ট মথৌ তাই। মশলশিং লেঙ ওৎপা অমসুং নর্ভ ইম্পর্লস ট্রান্সমিট তৌবদসু থুমনা অচৌবা থৌদাং লৌই। থুমগী মতেংনা চীঙ্গাক্তগী দাইজেষ্টিভ সিষ্টেমনা মরুওইবা ন্যুট্রিয়ন্টশিং লৌশিনবা ঙম্লিবনি। অদুনদি থুম নৎত্রগা সোদিয়ম ক্লোরাইদ হায়বসি য়াম্না মরুওইবা মিনরেল অমনি। অদুবু কনাগুম্বনা নোংমদা থুম গ্রাম ৩ দগী হেন্না চাবা তারবদি হকচাংদা খুদোংথিবা কয়ামরুম থোক্লকপা য়াই।

পোটাসিয়মগা মান্নদবা মওংদা সোদিয়মদি সেলশিংগী মপান থংবা শরুক্তা তুংশিন্দুনা লৈ। মসিনা মরম ওইরদুনা কিদনিদগী মহী থাদোরকপা ৱাৎলবনিনা ব্লদ ভোল্যুম হেনগৎলকই। মতৌ অসুম্না ইদিমা ওইরকপদগী খোঙ-খুৎ পোমখৎলকই।

সোদিয়ম কা হেন্না চাশিল্লবদি হকচাংনা অহেনবা ঈশিং মথৌ তারকপা মরম্না সেলশিংদা য়াওরম্বা মহী পুম্নমক চিংশিনখি। মতমদুদা কোক ঙাওবা, ওনিংবা, খৌরাংবা, পূক নাবা, খোঙ হামথবা অমদি তূমনিংবনচিংবা খুদোংচাদবশিং মায়োক্নহল্লকপা য়াই।

মীওইবনা মপান থোকপদা ঈশিং অমসুং সোদিয়ম কয়া য়াম্না থাদোরকপগে হায়বদু হোর্মোননা রেগ্যুলেট তৌই। ঈদা সোদিয়মগী চাং ৱাংনা য়াওরিবমখৈ ব্লদ ভোল্যুমসু ৱাংখৎলকই। মরমদি ঈদা য়াওবা সোদিয়ম দাইল্যুট তৌনবগীদমক কিদনিনা ঈশিং খজিক্তং থাদোরকপননি। পুম্নমক অসিনা মরম ওইরদুনা ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎলকই।

অতোপ্পা রিপোর্ট অমনা হায়খি, হকচাংদা অতৈ অতোপ্পা লায়না খরা লৈরিঙৈদা সোদিয়ম কা হেন্না চারবদি ষ্টোমাক কেন্সর, কিদনি ষ্টোন নৎত্রগা ওষ্টিওপোরোসিসকী রিস্ক হেনগৎলকই। থুম কা হেন্না চাবা মতমদা চাকখাউগী লাইনিং তৎলকপদগী হেলিকোবেক্টর পাইলোরি কৌবা মহীক মখল অমনা ইনফেক্সন তৌরকপা য়াই। মসিদসু নত্তনা মপান থোকপদা কেলসিয়ম চাং ৱাংনা য়াওরকপদগী কিদনিদা নুঙ লৈরকপা য়াই। মতৌ অসুম্না হকচাংদগী হেন্না থোকখিবা কেলসিয়মগী শরুক অদু মেনখৎনবা শরুনা কেলসিয়ম থাদোরকপদগী ওষ্টিওপোরেসিস ওইরকপা য়াই।

মীওইবনা অরিবা মতমদগী হৌনা থুম-মোরোক নম্না চাবগী হৈনবী লৈনরকই। ইজিপ্টতা থুমবু লাইনিং-লাইশোনগী থৌরমদা মরুওইবা মচল অমা ওইনা শীজিন্নরকই। অফ্রিকাদদি সনা-লুপাগী মহুত্তা থুম য়াম্না পৈশিন্দুনা থম্বা মীনা ইনাক খুনবা মীওই ওইনা লৌরম্মী।

থুমগী মতাংদা অখঙ-অহৈশিংনা মতম কয়াগী মমাঙদগী থিজিন্দুনা লাক্লি। কুমজা ২০১১ দা কেনাদাদা পাঙথোকখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, হকচাং লেঙ-ওৎপগী চাং ৱাৎপা মীওইশিংনা থুম কা হেন্না চাবা মতমদা ব্রেননা মপুং ফানা মথৌ তৌবা ঙম্বগী চাং হন্থরকই। পুম্নমক অসি থুমদা য়াওবা সোদিয়মনা ওইহল্লকপনি।

কুমজা ১৯৯৬ তা ইন্টরনেসনেল জর্নেল ওফ ইপিদমিওলোজিনা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, থুম কা হেন্না চাবনা নুপা অমদি নুপী অনীমক্তা ষ্টোমাক কেন্সরগী রিস্ক হেনগৎহল্লি। থুমনা চাকখাউগী লাইনিংদা য়াওবা ম্যুকসতা অকায়বা থোকহনবগা লোয়ননা ষ্টোমাক টিস্যুদা অপনবা থোকহনবদগী কেন্সর ওইহল্লকপা ওইরম্বা য়াই।

অমরোমদা ‘মেদিকেল ন্যুজ টুদে’ দা ফোঙলকখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, মদুদি থুম কা হেন্না চাবনা ইদিমা ওইহল্লকপদগী খোঙ খুৎতা মফম কয়াদা মহী তুংশিল্লক্তুনা মফম-মফম কয়াদা পোমখৎলকপা য়াই।

আর্টিকেল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

## ঐচ এফ এমগী ফাউন্দর এদভাইজর কমলানা লৈখিদবা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচ এন এস):
হোম ফিল্মস মণিপুর (ঐচ এফ এম)না কুমজা ২০০৭তা লিংখৎলকখিবদগী ঙসি ফাওবদা এদভাইজর ওইরম্বী থাংমৈবন্দ সিনাম লৈকায়দা লৈবী লোংজম ওংবী থোকচোম কমলা লৈমা (৫৮)না মনুং মতম চাদনা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক অমদা লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদবদা হোম ফিল্মস মণিপুরনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে হায়না ঐচ এফ এমগী সেক্রেটরি রঞ্জিৎ নিংথৌজানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, মনুং মতম চাদনা লৈখিদ্রবী লোংজম ওংবী থোকচোম কমলা মণিপুরী ফিল্মগী এক্টর বোইতোন (ঔরোবিন্দো)গী অপোকপীনি। লৈখিদ্রবী লোংজম ওংবী থোকচোম কমলানা হিংলিঙৈ মতমদা ঈশৈ ময়েক অমদি শৈরেংনচিংবসু ইরমখি। লোয়ননা মণিপুর ফিল্মদা অচৌবা থৌদাং লৌরমখিবী মীশক অমনি। বোইতোন মাঙখ্রে, খম্বতোন অমদি থৌরীনচিংবা ফিল্মশিংগী কো-প্রদ্যুসরসু ওইরমখি। অসিগুম্নবা হোম ফিল্মস মণিপুরগী ফাউন্দর এদভাইজর ওইরম্বী মহাক্লা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবা অসি হোম ফিল্মস মণিপুরগী মেনশিনবা ঙম্লরোইদবা অচৌবা মাঙজবা অমা ওইহৌরগনি। লৈখিদ্রবীগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি। লোয়ননা মহাক্কী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবগীদমক্তসু মপুদা নীজরি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## নহাশিংবু অচুম্বা লম্বীদা পুরক্নবগী পান্দমদা করিয়র গাইদেন্স অমদি কাউন্সেল্লিংগী থৌরম পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচ এন এস):
৪৪ অসাম রাইফলসকী মীৎয়েং মখাদা ২২ সেক্তর অসাম রাইফলস/ইন্সপেক্টর জেনরেল অসাম রাইফলস (ইষ্ট)না শীন্দুনা ঙসি তমেংলোং টাউনদা করিয়র গাইদেন্স এন্দ কাউন্সেল্লিং কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে হায়না পি আর ও দিফেন্স লেফটনেন্ট কর্নেল মোহিদ ভাইষ্ণভানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, ঙসি পাঙথোকখিবা করিয়র গাইদেন্স অমদি কাউন্সেল্লিং কেম্প অসি দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈরিবা নহা ওইরিবা মহৈরোয়শিংবু মখোয়গী তুংগী ফিরেপ লেপচনবা হোৎনবদা অচুম্বা লম্বী তাকপী-তম্বীনবগী পান্দমদা অমদি করি করম্বা লম্বীদা চৎলগনা হেন্না মখোয়না তুংদা পাঙথোক্লিংলিবা থবক অদু মায় পাক্কদগে হায়বনচিংবা ৱাফম কয়া খঙহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকখিবনি।

থৌরম অদুগী মনুং চন্না করিয়র গাইদেন্স অমদি কাউন্সেল্লিংগী ইভেন্ট অদুদা শরুক য়াখিবা নহা ওইরিবা মহৈরোয়শিংদা ইন্দিয়ন আর্মিদা জোইন্ট তৌনবগী পূক্নিং থৌগৎপগা লোয়ননা ইন্দিয়ন আর্মিদা চঙবদা করি করি মথৌ তাই হায়বনচিংবা ৱাফম কয়াসু তাকপী তম্বীখি। লোয়ননা ইন্দিয়ন অর্মি ফোর্সতা তোঙান তোঙানবা তৌবা য়াবা থবক কয়া লৈরি হায়বসু খঙহনখি। ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চাউরাক্লা নহা ওইরিবা মহৈরোয় ২০০ রোম্না শরুক য়ারদুনা মখোয়গী থম্মোয়দা ফুমদুনা লৈরম্বা ৱাহং কয়াসু থৌরমদুদা শরুক য়াখিবা এক্সপার্টশিংদা হংদুনা খন্ন-নৈনখি।

থৌরম অদুগী মনুং চন্না কম্যানে দন্টনা ফোঙদোকখিবদা, নহাশিংনা মখোয়না মঙজরিবা মঙলানশিং অদু থুংহনবা ঙম্নবগী পান্দমদা অসিগুম্বা থৌরমশিং অসি পাঙথোকপনি। নহা ওইরিবা মহৈরোয়শিংনা মখোয়না তুংদা তৌগে খঞ্জরিবা মঙলানশিং অদু থুংবা ঙম্নবা হোৎনগদবনি। আর্মদ ফোর্সেসতা জোইন্ট তৌবা হায়বসিনা নেসন বিল্ডিং তৌরকপা মতমদা য়াম্না অচৌবা থৌদাং লৌই হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা এক্সপার্টশিংনা হেল্ডি এদ্যুকেসন সিষ্টম অমা পুরকপা ঙম্নবগী পান্দমদা নহাশিংদা তাকপী তম্বীখি। লোয়ননা লমদম অসিদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক দ্রগনা পীরক্লিবা অচৌবা চৈথেংদগী ঙাকথোক্লবা অমদি মমা-মপাশিংনা লৌগদবা থৌদাংশিংগী মতাংদসু খন্ন-নৈনখি। লোয়ননা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা নহা ওইরিবা মহৈরোয়শিংদা অৱাংবা মহৈগী এদ্যুকেসন ফংদুনা অফবা মতিক চাবা থবক অমমম ফংদুনা খুন্নাইগীদমক অচৌবা কন্ট্রিব্যুসন তৌনবগীদমক পূক্নিং থৌগৎখি হায়রি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিস্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৪। ০৩। ২০২২ ইং, শগোলশেল;
লমতাগী ২২নি পানবা।

মেষ: পুক্নিংদা চিংনবা অমদি মহু চাওবনা তাথিবা খরা লৈরসু মীয়াম্নদি য়াবা, লেঙদবা লন চাওখৎপা অমদি অঙম্বনা চানবীবা লৈগনি। মীতোপ থাজবা খরদি লুগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা লুনা খনবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

বৃষ: নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংজবা, মরুপ মপাংগী মতেংনা শেল-থুম তানশিনবা ঙম্বা, ৱাখল নুংঙাইবা অমদি পাইরক্কী লৌশিং চাওবনা মীনা লাকচবা ঙম্লোইদবা নুমিৎনি ।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি ।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

মিথুন: ৱাখল থোক্কনি, মীচঙ ফংগনি, শেন্দোং তানবদা মায় পাক্কনি অমদি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা অরং-অরাক ফংবগুম নুংঙাইজগনি। মরুপ মপাংগী মরী ফরনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা থুংবৈ নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

কর্কট: অয়ুক্তা মায় পাকপা অমদি ইকাই খুম্নবা ফংজবা লৈ। থেংলক্লদি অচুম্বদা য়ুম্ফম ওইরগা থৌ পাঙউ-নৎত্রদি মতম মাঙবা, য়েৎনবা অমদি অপংবা তাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- চরাংনগনু-মাঙজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

সিংহ: অনৌবা আশা লাকপা, অফবা মফম কঞ্জবা ঙম্বা অমদি শেন্দোং ফংবা লৈ। হান্নদৈ পল্লকপা থবক অমগী নুংঙাইতবা লৈগনি, অনম তানবনা মীখা পোনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ঈরাং পুগনু-শাফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

কন্যা: অশাওবনা মাঙজবা, পাইরক্কী লৌশিং শোনবনা মীকোক থোংবা ৱাবা লৈ। শেন্দোং তানবা থবক্তদি মায় পাক্কনি, অনৌবা থৌরমদনা হেন্না নুংঙাইগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা খরদি থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা

তুলা: নুংথিলদা চোপ্পা ইকায়বা নংবা য়াবা লৈরম্বা ফরনি অমদি ৱানোম থৌনোম্বা য়ারগনি। খন্থদ্রদি মরুপ মপাংগা খৎনগনি, অফা-অপুনগী থবক্তা মাঙজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- য়াকা য়েংনা চৎলু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/হিগোক

বৃশ্চিক: হরাওবা, মীচঙ হেনগৎপা, অনীংবা থবক পাঙবা অমদি অরাপ্পদগী নুংঙাইবা পাউ তাজগনি। য়েৎনবদসু হান্নগুম মায় পাক্কনি। হন্থবদি লোয়নগনু-মাঙজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

ধনু: য়েক্লববু ঙমজদুনা নচাক নরল চাওখৎকদবা লৈ, মীয়ামগা লোয়ননা চৎনবা হোৎনৌ-কান্নগনি। অঙম্বনদি মরুপ মপাং কায়ননবা শীল্লক্কনি-শাজৎ হৈয়ু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা তেংবাঙবিগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা

মকর: শেল-থুমগী লমদা চাওনা ওইজবা ফংগনি, ৱাখলগী পাঙ্গল কনবনা নীংথিনা খন্থরদি মীগী ৱা ঙাইদনা অনীংবা থবক পাঙহৌরো। খোইরাংবদি ফাথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- ফিংবনা মাঙজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

কুম্ভ: অফবা থবক পাঙবৈ নুংঙাইজবা, লাইবক ফবা অমদি শেল-থুমগী লমদা মায় পাকচবা নুমিৎনি। অদুবু লৌশিং ফুদোকপা ৱাবনা য়েৎনবদা মাঙজবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/ফৌ

মিন: মীগা পুনবা থবক মায় পাক্কনি, মীয়ামগী মতেং ফংগনি অমদি অফবা মফম ফংজবৈ নুংঙাইজবা ঙসিসু লৈ। অদুবু হুরানবনা নরলদা মীতাই-পংথগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।